**হুইয়েন লানপাউ**
নিংথৌকাবা, জুলাই ২৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১২০শুবা মশীং

## উমং লোয়শঙগী থৌমীশিং

### মৈতাল অশিবা য়াওরব্রা

মণিপুরগী চীংশিং মরূ কোক্লক্লে, অঙ্গং-অশা অমসুং মহৌশাগী ওইবা নোংজু-নুংশাগী ফীভমশিং কায়থরক্লে হায়নরক্লবসি কুইরে। ঙসি-ঙরাং খক্তগী ৱাফম নত্তে। হায়নরক্লিবা অসিসু হায়বা নুংঙাই, হায়ফম থোকই হায়দুনা হেক্তা হায়জিল্লকপসু নত্তে। চীংশিং মরূ কোকথোরকপা অমসুং মহৌশাগী খল কায়থরকপদগী হায়নবা হৌরকপনি। হোয়, মহৌশাগী খল, মহৌশা লাইরেম্বীগী ফীভম শোকহল্লকপগী থৌওংসিগীদি উমং/চীং কোকথোকপা খক নত্তনা অতোপ্পা মরমশিং লৈগনি। মরম ময়ামদুগা চীং কোকথোরকপগা পুনশিন্নরগা ফীভম অসি ওইহল্লকপা ওইগদোইনি। অদুবু অতৈ মরমশিং অদুগা উমং লোয়শঙগা হকথেংননা মরী লৈনদ্রবসু চীং/উমং কোকথোরকপগদি মরী লৈনফম থোকই হায়নীংই, লৈনফমসু থোকই। মরী লৈনবা হায়বদি উমং লোয়শঙগী থৌমীশিংনা হকথেংননা থাঙ অমসুং শীংজং পায়রগা উ-ৱাশিং শিৎ-নান্না য়ান্থৎলি হায়বা নত্তে। চীংশিংদগী উ-ৱা য়ান্থৎপগী থবক চত্থনরকপদা উমং লোয়শঙশিংগী থৌমীশিং মখূৎতু মক্রাংদা লোন্দুনা লৈথোকপা য়াওরব্রা হায়বগী ৱানি। হোয়, প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভদ্ ফোরেষ্টকা হায়বা উমং মখলশিং লৈরি। ফোরেষ্ট লোয়শঙগী থৌমীশিংগী মথৌসি প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভদ্ ফোরেষ্টশিং ঙাক-শেনবনি, য়োকখৎতুনা থম্বনি হায়দুনা লৌরবা ফাওবদা মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌশিং তৌরিব্রা হায়বনি। হন্দক ৱাইথৌ চীঙ্গোলদগী য়ূম ময়াম তকখায়খিব্রদুবু উমং লোয়শঙগী থৌমীশিং মমিৎ তাঙবা, মনা পংবা অমসুং মরোল থোক্তবা ঙাক্তা ওইবদগীনি হায়বদা লানগদ্রা? জে সী বি/প্রোক্লেন শীজিন্নদুনা থুদেক্তুনা তকথোকখিব্রা ময়ামদু প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভদ্ ফোরেষ্টতদি অদুগুম্বদু তৌবা য়াদে হায়বগী মায়োক্তা তৌশিল্লম্মী হায়বগী নৎত্রা? লৈঙাক্কী সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দ লোয়শঙনা পাট্টা পীরবা ফাওবদা প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভদ্ ফোরেষ্টতদি তৌশিল্লকপা য়ারোই হায়বা অকনবা রুল লৈবদগী পীরুরবা পাট্টাশিং অদু ফাওবা কেন্সেল তৌরগা শিদোক্তুনা তান্থোকখিবা নৎত্রা?

অদুবু ৱাইথৌগী থৌদোকসি হৌখ্রবসু হংদবা য়াদনা চোঙথোরক্লিবা ৱাহংদি প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভদ্ ফোরেষ্ট এরিয়াগী উমংশিংসি লৈঙাক্কীনি। লৈঙাক্কী ওইবদগী উমং লোয়শঙগী থৌমীশিংদা খূৎশিন্নদুনা শেন্নহল্লকপনি। য়োকখৎপা/কনবগী থবকশিং পাঙথোকহল্লকপনি। অদুবু মীকূপ-নাহুম শিংনা কূপশেন-শেন্নরিবা প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভদ্ ফোরেষ্টকী এরিয়াদগী উ-ৱা য়ান্থৎলক্লে, কোকথোরক্লে অমসুং য়ূম তাশিল্লক্লে হায়রগদি ফোরেষ্টকী থৌমীশিং কৈদৌদনা লৈহৌবগে? সেট্টলমেন্ট অমসুং লেন্দ রেকোর্দস লোয়শঙগী ৱাদি থম্বু থমখো, মখূৎনা পায়দুনা কুপশেন শেন্নরিবা প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভদ্ ফোরেষ্টকী এরিয়াদা মসিগী মচৎ নত্তবা থৌওং অমা লাই লাক্তুনা চত্থররবা ফাওবদা থিংহৌগদবা নৎত্রা? লাই ওইবদগী মতিক ময়াই কনমনখিবনা শয়েং-পান্থোম ঙানদুনা থিংবা ঙমহৌদ্রে হায়রগসু লাই ফাওবা থেংনবা ঙম্বা লৈঙাক মপুগী নাকোং ফাওবদি য়ৌহল্লম্ফম থোক্তব্রা? অদ্বাইদনি উমং লোয়শঙগী থৌমীশিংগী মনুংদা মৈতাল অশিবা য়াওরব্রা হায়বগী ৱাফম লাক্লিবা। উ-ৱাশিং য়ান্থৎপা, চীং তেমথোকপদনা উহৌ-খঙহৌদবা অদুগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মখোঙ থিন্দুনা লাউ খোংলক্লগনা নীংগ্রি শিৎতুনা মথৌ পাঙথোরকপদি চুম্লিব্রা হায়বনি। ৱাফমসি লৈঙাক্কী প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভদ্ ফোরেষ্ট এরিয়া খক্তগী ৱাফম নত্তে। চীংমীশিংদা লৈঙাক্না এল্লোটমেন্ট পীদুনা খূৎশিন্নখ্রবা প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভদ্ ফোরেষ্টনা ফাওবা কোনশিন্দবা চীংশিংসু উমং লোয়শঙনা মীৎয়েং চঙগদবনি। এল্লোটমেন্ট পীরে হায়দুনা শিৎ-নান্না কোকথোকউ হায়দুনা খূৎশিন্নখিবা নত্তে। উমং লোয়শঙদা মৈতাল অশিবা য়াওহন্নীংদে। য়াওরম্লবসু চুখৎতুনা ঙাংশং ঙাংহল্লু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১) **“কৃষ্ণরা, জেসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে/কল্লুনে ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা।”** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো অমদি শৈরেং মতেক অসি মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) **“য়াথং”** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) মোইরাং নিংথৌগী মচানুপী অমা **“লৈবাককী অৱাবা কোক্লবা তৌখিবী অমদি মপাগী য়াথং লৈবাক তাহনখিদবী পুকচেল চাওবী নুপী অসিগী মরমচৎ উৎনীংবদগী মৈতৈ ময়েক্তগী খ্বাইনা খঙনবা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোক্তুনা ছাপা নম্বা য়ানবা শেমদোকচবনি।”** হায়রিবা লাইরিক অসি করি লাইরিকনো অমসুং কনানা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোকপনো?

৪) শক্লাইরবা কবি ঐচ নন্দ মৈতৈগী শৈরেং ১০৩বু কনানা ইংরাজিদা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৫) **“মৈ চঙলবা চেক”** হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

**Q.** ইকুই কুইদ্রিঙৈদা থমচেৎতা সিরিঞ্জনা থিন্দুনা হীদাক কাপ্পগী পাউ তাজখি। থমচেত্তুদা করি য়াওবগে খঙদোক্লবা চাংয়েং তৌবগী ৱাফম ফাওবা লৈখি। মখা তাবা পাউ লৈখিদ্রে। কাংদা থমচেৎ লাইদা কৎচদ্রে। অদুবু ময়াম অমনদি চানরি। চিংনবদি লৈরি; চিংনবসি কোক্লবা ৱাফম অমত্তা হায়বীয়ু।

**- রঘুমনি, সাপম**

☞ লুপা ১০ পীবা থমচেৎতু লুপা ১০দা অদুম য়োন্নবা; থমচেৎ অমদা পাল্লিবা মরূ ৪০-৫০দু সিরিঞ্জনা থিন-থিন্দুনা হীদাক কাপলোই।

থমচেৎ অমগী থমচেৎ মরূশিংদা নাচেপ ওইরপ তৌবা মতাইদা অমুবা দাগ অমমম মরূ খুদিংদা লৈবা থমচেৎসু য়াওই; থমচেৎ খরদনা দাগ অমা ফাওবা লৈতবসু য়াওই। মসিদি মখল/মজাৎ (কলটিভর) খেন্নবননি।

**Q.** লৌফম অয়াম্বা কংনরক্লে। ঐগীদি পাম্ফেল তৌখিবা নুমিৎ ২৫ শুরে; পাম্মুবদগী ঈশিং খাঙ্গত্তুনা থম্লি। মসিবু অকায়বা লৈব্রা?

**-ইবোহনবী, পাৎশোই**

☞ ঈশিং হায়বসি পাম্বীগী য়াম্না মরু ওইবা পোৎলম অমনি হায়বসি পূম্নমক্না খঙই। অদুবু হেনবসু য়াদে, ৱাৎপসু য়াদে। ফৌগীদমক্তি নুমিৎ ২৫ ফাওবা ঈশিং লৈরবসু ফৌগী মচা য়াম্না পোকপা মতম নুমিৎ ২৫-৪৫ (ফৌ মখল খেন্নবগী মতুংইন্না) ঈশিং হন্থনা থমগনি।

মচা পোকপা লোইরকপা নৎত্রগা পোকহন্নীংদবা মতমদা ঈশিংগী চাং ৱাংখৎনা থম্বা য়াই। অদুবু লোক্কদবা নুমিৎ ২০নিমুক ৱাৎলিঙৈদদি ঈশিং থমলোই/থাদোক্কনি। মসিনা ফৌ লোকপা মতমদা ফৌদা ঈশিং ঈনিল ৱাংহন্দে, ফৌজুম অমসুং অতৈ তীলশিং ইনবগী চাং হন্থহল্লি। কোকফাই কাহন্দে। মসিদা নত্তনা ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা নিংথম থাগী পোৎলম কয়া থাননবা ঙন্না ইঞ্জিন চংদুনা খোইদোকপা ঙমহল্লি।

হায়জনীংবা অমদি ফৌনা নৌরিঙৈদা ঈশিং ৱাংনা থম্লগদি ফৌ মচা পোক্তে; অদুবু নাপী হৌবদি হন্থে। ঈশিং হন্থরগনা ফৌ মচা পোকপগী চাং ৱাংই অদুবু নাপীদি কল্লি।

লুরিবদি অপাম্বা মতুংইন্না ঈশিং থাদোক থাজিন তৌবা ঙমদবসিনি। ঈশিং ৱাৎলগসু পীনবা assured irrigation লৈতে। নোং হেন্না তারগসু মদুগী চপ চাবা drainage system মওং তাদে। মতম খরা ঙাইবা তারি। অদুনা হৌজিক্কীদি ইশানা খল্লগা তৌবীয়ু।

**Q.** ঐগী লৌফমসি অতোংবা, মতাইদা লৈবা লৌফম নত্তে। ময়ামগী মরক্তা লৈ। ওর্গেনিক ওইনা লৌ উজনীংবনি অদুবু অখঙ অহৈশিংনদি কেমিকেল শীজিন্নবা লৌফমশিংগী মরক্তা লৈবনিনা অতোপ্পদগী কেমিকেলশিং চংশিল্লক্কনি, ওর্গেনিক ওইবা য়ারোই হায়। ঐগীসি কেমিকেলগী মরক্তগী নান্থোরকপা য়াররোইদ্রা?

**- মোবী, লাঙথেল**

☞ ইশাগী পোৎখোক্তু ওর্গেনিক্কী পোৎখোক ওইনা য়োনগে হায়বা নৎত্রগদি ওর্গেনিকলোমদা চঙশিনবা কায়দে। ফৈ। থংনবশিংনা চাইনীংবা চাইজসনু, ইশাগীদি ওর্গেনিক্কী ওইবা পোৎলম খক শীজিন্নরগা লৌ উবদা অকায়বা লৈতে। অকনবা হীদাকশিং ঐনসু কাপ্পী, মীনা কাপ্পসু চঙশিল্লক্লবদি ঐগী ফৌদু হীদাক্কী লেমখাক য়াম্না য়াওরনি। ওর্গেনিক্কী ওইবা পোৎলমশিং - হার, তীলহাৎ হীদাক, কোকফাই হীদাক, ওর্গেনিজমশিংগী কলচর মরাং কায়না ফংলবনিনা মতম মতমগী ওইনা লৌ উবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংদুগী চান-চানবা পোৎলমশিং শীজিন্নরগা মায়োক্লবা য়ারে। অতোপ্পগী অহেনবা তীলহাৎ হীদাক, কেমিকেল ওইবা হার খরখক চঙলকপদুদি করিসু নত্তে। ইশাগী পোৎখোক্তু পামদবা কেমিকেল য়াওবগী চাং অঙকপা ফংনা হন্থখ্রনি। অফবা থবকনি, থংনবা মীওইশিংনসু পাম্নরক্কনি। মতম খরগী মতুংদদি লৌকোন্দুমক ওর্গেনিক্কী ওইবা লৌকোন অমা ওইরকপসু য়াই।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*

[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,
ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং
চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]

চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী
লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল
**hueiyenagri@gmail.com** দা চিঠি
থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

# চাথোক হেন্নবা ফৌদিনা থারসি, কোত্তগী ফৌনা থারগুমসি

**- এস সুমঙ্গল -**

ফৌ তাইবা শিৎত্রে হায়বা ৱাফম কয়া অমা মণিপুরগী লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী মফমদগী তারে অদুবু পুথোকপদি লৌমী ঐখোয়গীদি লেপ্পা য়াদে, নোংমা হায়বদু ঙাইবা তাবনি। চাথোক নিংথিনা পুথোক্লবা অফবা ফৌদিদি তঙাইফদে। ফৌদি হায়রগদি থাননবা অফবা মরূনি হায়না অদুমক খঙনবা য়ারে। ইপা ইপুশিংনা থাননবা ফৌ মরূবু ফৌদি কৌনরম্মীবগী ৱাহন্থোক য়াম্না চাউনা লৈ। ইচম চম্না ফৌ হায়না কৌরমদে। মরমদি অফবা মরূনা (ফৌদিনা) থাবনা ফত্তবা মরূনা থাবদগী চাথোক হেল্লি হায়বসি মখোয়না খঙলম্মী। হৌজিক্কী মতমদা সীদ হায়বসিগা গ্রেন হায়বসিগা অনীগী খেন্নবগুম ইচম চম্না ফৌ হায়বসিগা ফৌদি হায়বসিগী খেন্নবা অসিগা চপ মান্নে। অমনা থানবনি অদুগা অমনা চানবনি।

**করম্না চাথোক হেল্লিবা ?** ইপা ইপুশিংনা খঙলম্লিবা অদুগী ৱাহন্থোক ওইনা থমজরবদা অফবা মরূ/ক্বালিটি সীদ/সরটিফাইদ সীদ হায়রগদি মঙোন্দা ফৌমাঙ হায়বদি মরূদুগা মান্নদবা অতোপ্পা ভেরাইটিগী মরূ য়াওদ্রে, অসুম্না থাখিবা ফৌমাং য়াওখিদবা লৌফমশিংদি চাং চপ মান্ননা হৌবা থেংনবীগনি। লায়না তীলনাগী হৌরকফম অমত্তা য়াওদবা মরম্না ঙন্না লায়না তাশিনবা হন্থরনি। মতোন নিংথিনা থোক্লনি, মশা-মউ ফনা হৌরক্লনি। মরম অদুনা নিংথিনবু হোৎনরবদি শোয়দনা চাথোক লৈরনি। অমরোমদনা চাননবা থম্বা মরূ অদুদি মথক্তা পল্লিবা পামদবশিং অসি শোয়দনা য়াওরম্লনি। থারুবা মতমদা লায়না-তীলনা ঙন্না তাশিল্লক্লনি, ফৌমাং কয়া অমা য়াওরক্লনি, খরনা ঙন্না শাৎতোক্লনি, খরনা থেংনা শাৎলনি, নাপি মরূ কয়া অমা য়াওরক্লনি, নাপি কা হেন্না হৌরক্লনি, নাপিগা হৌমিন্নবা ফৌ পাম্বী মশা ফবা ৱাৎলনি, ঙন্না শাৎপা মখৈ কেন্দুনা মাঙখ্রনি, থেঙনা শাৎপা মখৈ মতম চানা মুল্লরোই, লোক্লবা মতুংদা ফৌহাম ওইখ্রনি। মরমশিং অসিনা চাথোক শোয়দনা হন্থরনি।

**করম্না ফৌ মাঙশিল্লক্লিবা? :** ফৌ থারিবা মফমশিং ফৌ হৌরিঙৈ মতমদা কোইনা চৎতুনা য়েংবীয়ু, চাননবা মরূনা থাবা লৌফম খুদিংমক মচৌ মচা নাইনা দলান শাদুনা অৱাং অনেম মান্নদনা য়ানশিন্নদুনা হৌবা থেংনবীগনি। য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওবীগনি। অফবা মরূনা থাখিবা লৌফমশিংদি চাং চপ মান্ননা হৌবা থেংনবীগনি। চাং মান্নদনা হৌরিবদু করি মরমগীনো য়েংসি। অফবা মরূনি হায়দুনা থারিবা মরূদুদা মান্নদবা মরূ অমত্তং য়াওখ্রে হায়না খল্লসি। মরূদুনা হৌরবা মতমদা মচা খরা শোয়দনা পোক্লনি। মচা ১০ পোক্লে হায়না খল্লসি।মচা ১০ অদুদা চরোং ১০ পাল্লনি, চরোং অমদা মরূ ২০০-২০০ পাল্লবদি পূন্না মরূ ২০০০ পাল্লনি। মরূ ২০০০দু লোকপা মতমদা য়াওশিনখ্রনি। থমখ্রিবা য়ানশিনখ্রবা ফৌ অদুদগী মথং থানবা লৌথোকপা মতমদা শোয়দনা মরূ খরদি য়াওরক্লনি। মরূ চাম্মা য়াওখ্রবদি মথংদা লোকপা ২০০০X১০০=২০০০০০ য়ানশিল্লক্লনি। অসুম্না চহী খরগী মনুংদদি অসুম্না অসুম য়ানশিনখিবনা ঐনা থারিবা ফৌদুবু করম্বনো হায়বদু খঙলরোই। অসুম্না সাইন্টিষ্ট কয়ানা মতম চঙনা পুথোকপীরম্লিবা ফরবা ফৌ ভেরাইটি কয়া মাঙশিল্লক্লবগী মরমসু ওইরিবনি। য়াম্না চেকশিনহঞ্জনীংই।



ফৌমাং খন্দোকপা



ফৌমাংনা থল্লবা লৌফম অমা

**অফবা ফৌদি ফংনবা করি থৌরাং তৌগনি ? :** মণিপুরগী অপূনবা লৌফম চাওরাক্না পরি ২০০০০০ (লাখ অনী) অসিগী কোন্ননবা অফবা ফৌদি লৈঙাক্না কদায়দগী পীগনি? মখোয়দা লৈরিবা লৌফম কয়া য়াম্বনো? সী এ য়ু, আই সী এ আর, এগ্রি দিপার্টমেন্ট অহুম্না পূন্না মশাগী লমদা থাদুনা টন ৩০ মঙায় পুথোক্লবদা। লৌ পরি অমগী ফৌদি কিলো ৫০-৫০ চঙবগী চাংদা পাবদা ফৌদি কিলো ২০০০০X৫০০=১০০০০০০০ হায়বদি টন ১০০০০ (লিশীং ১০) পুথোকপা তাবনি। অদুদি কনানা অফবা ফৌদি পুথোক্কনি? লৌমী ওইরিবা ঐখোয়না পুথোকপা তাবনি। অফবা ফৌদি পুথোক্লবা মরক্তা থৌরম কয়া অমা লৈরিবদু থমখ্রগা ইশাগী লৌফমদগী অফবা ফৌদি পুথোক্লবা থৌরাং খরা খঙজিনবদা কান্নগনি খল্লি, য়েংসি।

**অফবা ফৌদি ইশানা লোকচনবা করি থৌরাং তৌগনি? :** ইশানা পামজবা/চানবা ফৌ মখল অমগী অফবা ফৌদি অচুম্বা (সী এ য়ু, আই সী এ আর, এগ্রি দিপার্টমেন্ট, কে ভি কেনচিংবা) মফমদগী ফংলে হায়না খল্লসি। মদু নিংথিনা ইশাগী লৌফমদা থারে। চহী ৩-৪দি ইশানা লোকচবা ফৌদি অদু অফবা ফৌদি ওইহনবা য়াই। মসিমকসুনি ওইহনগদবা। করম্না ওইথোক্কনি? অরায়বা থবকনি, তৌবীদবগী ৱানি। য়েংসি - ইশাগী লৌফমগী চঙগদবা ফৌদি কয়ানো পুথোক্লসি। মসিদি শোয়দনা অফবা ওইনা পুথোকপীনবা হোৎনহৌসি। খরা হেন্না পুথোকপসু কায়দে। ইশাগী লৌফমদা মফম চাবা য়েংদুনা ফৈদোম অমত্তংদি নিংথিনা অফবা ফৌদি লোক্লবা হোৎনবা তারে। মথক্তা অফবা ফৌদি করিনো হায়বদু খঙখ্রবনিনা লায়রনি খল্লি। ফৌমাং য়াওদনবা হৌরিবা ফৌ মরক্তগী মান্নদবা ফৌ মখৈ চিংনদনা মীনুংশি য়াওদবমখৈ ফূক্তোক্তুনা মাঙহনবা তারে। পাখৎপীগনু কা হেন্না য়াম্না য়াওরক্লোই। নাপী নিংথিনা পেংথোকপীবা তারে। পোটাশ হার পীরিবা চাংদগী খজিক্তং হেন্না চাইবীবা তারে। লায়না তীলনা তাদনবা অখঙ অহৈ তানদুনা হোৎনবীবা তারে। অসুম্না হোৎনরবা মতুংদা মতম চানা নিংথিনা তোঙান্না মশা শেংনা অতোপ্পা ভেরাইটিগা য়ান্নখিদনবা চেকশিন থৌরাং খুদিংমক হোৎনবীবা তারে। মসিদা কূপ্না করি থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না থমজররোই। তোঙান্না লোক্লবা ফৌ নিংথিনা শেংদোকপীদুনা নিংথিনা কংহল্লগা মশক খঙনা ভেরাইটিগী মমিং থাদুনা তোঙান্না অফবা ফৌমাং য়াওদ্রবা বোরাদা হাপ্তুনা মতম মতমগী চ্যেক তৌবা য়ানবা অঙ্গংবা মফম (চোৎপদি নত্তবা) য়েংদুনা লিবিরো। মথং চহীগী ঐগী কোন্নবদগী অহেনবা অদুসু মমল তাঙনা য়োনবা য়ারগনি।

মতৌ অসুম্না লৈঙাক্না ফংহল্লিবা অফবা ফৌদিদু ইশানা চেকশিন্না হোৎনরবদি মণিপুরগী লৌফম খুদিংমক অফবা ফৌদিনা থাদুনা ফৌগী চাথোক হেন্না পুথোক্তুনা মীপান তাংদবা চাকহোঙ ঙাহোঙবা লমদম অমা ওইহনবা য়াগনি। হায়রিবা অসি অতৈ পাম্বী - হৱাই, চেঙৱাই, থাও থোকপা পাম্বী, মনা-মশিং খুদিংমক্কী পাঙথোকপা য়াগনি। ●